**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 03-11-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৩-১১-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লালহৌবা ৮ অমদি খূৎশু খূৎলাই কয়া ফারে।

২) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং মখাদা রাজ্য অসিগী মীওই লাক্ষ ২ লিশিং ৭০ লায়েংখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইমর্জিং সাইন্স এন্দ টেকোলোজিক ইন্নোভেসন কনক্লেভ ২০২৫ ঙসি নিউ দেল্লিগী ভারত মন্দপমদা হৌদোক্কনি।

------

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লালহৌবা ৮ অমদি খূৎশু খূৎলাই কয়া ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা

সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি। থৌবাল জিলাগী লিলোং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা চোংথাম কোনাদগী পান্থৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী মীওই অনি ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াং ইম্ফাল কোনচাক অমসুং ককচিং জিলাগী ইরোং চেসাবদগীনি। মীওইশিং অসি মীচম মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংনি। মীওইশিং অসিদগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল ১, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫, মোবাইল ফোন ৩ অমসুং সিম কার্দ ৪ ফংখি।

রাজ্য পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা থৌবাল জিলাগী খোঙজোম বজারদগী কে.সি.পিগী মীওই ৩ ফারে। ফারবা মীওইশিং অদু বিষ্ণুপুরগী কুন্বী তেরাখোঙ, ৱাংঙু পার্কিং অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী পুখাও নহারুপতগীনি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌলুপ অসিমক্কী মীওই অমসু ইম্ফাল ইষ্টকী পুরৈরোম্বা খোঙনাং মখোংদগী ফাখি। মীওই অসি য়াইরিপোক ঙানুখোঙ লিতান মখোঙদগীনি। মীওইশিং অসিনা হায়দোরকপদগী মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৩, সোর্ট গন ৩, গ্রেনেদ ৩, দিতোনেতর ৫, তুয়েল্ব বোরগী মরু ৩০, লুপ অসিগী মিং য়াওবা দিমান্দ লেতর ৫২, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মরু ৫, লুপ অসিগী তোঙান তোঙানবা ফংসনরিশিংগী সিল ৫ য়াওনা আইননা য়াদবা পোৎলম কয়া অমা ফংখি।

পাউ অসিনা হায়- ইন্তেল্লিজেন্সতগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না আইননা য়াদবা অমসুং মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খাইবগী থবক তৌবা মীওইশিং ফানবা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখুরি। পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি তাইবং ঙানবগী মশানা মশাবু সর্জননি হায়জবা মীওই অমা ককচিং লমদোংদগী ফারে। ফারবা মীওই অদু বিষ্ণুপুর জিলাগী লাইঙৌবী ময়াই লৈকাইদগীনি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাহেংবম লৈকাইগী অকোইবা মফমদগী কে.সি.পি-পি.দব্লিয়ু.জিগী মীওই অনি ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদু ইম্ফালগী অকোইবদা লৈবা দুকান, সরকারগী

ওফিস অমসুং মীচম মীয়ামদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি।

রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী য়েংলগা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম ১১৫ দা চেকপোইনশিং হাংদোক্লি। নাকল অমরোমদা, মোতোর ভেহিকলগী নিয়ম কাইনা গারি থৌবশিংগী মথক্তা দ্রাইভ মখা তানা চথুরি।

**এআর(এল)ঃ** কামজোং জিলাগী রময়ে ইকো টুরিজম পার্কতা চথখিবা ঈশৈ নোংমাই অমদি নাৎকী ওইবা থৌরম তাঙ্খুল ম্যুজিক ফেষ্টিভেল মাই পাকা লোইশিনখ্রে। অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-ইকোস ওফ পিছ হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোকখিবা কুম্মৈ অদু ভারত লান্মী অমদি খুল অদুগী মতেংগা লোয়ননা তাঙ্খুল ম্যুজিক ফোরমনা শিনবনি।

তেংনৌপল জিলাগী মোরেদা চবাং কুট কুম্মৈ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পাঙথোকখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা টেরিতোরিয়েল আর্মিগী রিক্রুটমেন্ট কেম্পেইন অমা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা মিজোরমগী লুংলৈদা পাঙথোকখ্রে। খোথাং অসি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা লৈবাক অসিবু টেরিতোরিয়েল আর্মি ওইদুনা ঙাকবগী ৱাখল্লোনদা পাঙথোকপনি। মিজোরমদা পাঙথোকপা অসি মসিনা অহানবনি।

**বিরেন(এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং সি.এম.ঐচ.টিগী মখাদা মীওই লাক্ষ ২ লিশিং ৭০ লায়েংখ্রে। মীওই লাক্ষ ৪ হেন্না এনরোল তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা য়াইফ থৌরাং অসিগী মখাদা লূপা কোতি ৩৩১ শিজিন্নখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-সি.এম.ঐচ.টি হায়রিবা য়াইফ থৌরাং অসি কুমজা ২০১৮গী জনুৱারি ২১

দা হৌদোকখিবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা মণিপুরগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীদুনা লাক্লি। মহাকা হায়-লায়য়েংবা ঙমদনা লৈরকখিবা মীওই কয়াগী মপাউ তারবা মতমদা স্কিম অসিগী মগুন খংগনি। স্কিম অসি হৌদোকপা মতমদা বজেটতা লূপা কোতি ১০ দগী ২০ ফাওবা হাপ্লগা হৌদোরকখি। অদুবু, হৌজিক্তি মীয়ামা স্কিম অসিগী কান্নবা খঙলকপা অমসুং স্কিম অসিবু মাই পাকা পায়খৎলকপদগী চহী অসিগী ওইনা বজেটতা লূপা কোতি ৪৫দা হেনগৎখ্রে। সি.এম.ঐচ.টিগী মখাদা চৎলিবা চহী অসিগী ওইনসু লূপা কোতি ৪৫ থাদোকখিবা পাউ ফংলে। মরী লৈনবা বিভাগশিংনা স্কিম অসি মাই পাকবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌনবসু আপিল তৌরি। মহাক্কী ৱারোল অদুদা হায়- রাজ্য অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা সি.এম.ঐচ.টি অমসুং পি.এম.জে.এ.ৱাইগী মখাদা মীওই লাক্ষ ৫ লিশিং ৫৭,৮২১ লায়েংখ্রে। মসিগী ওইনা লূপা কোতি ৭১৭ চাদিং তৌখি। হৌজিক ফাওবদা সি.এম.ঐচ.টিগী মখাদা ইমুং লাক্ষ ১ লিশিং ৩৪,৯৩১ মিং চল্লকখ্রে। মীওই লাক্ষ ৪ হেন্না স্কিম অসিগী কান্নবা পীবা ঙম্লে। পি.এম.জে.এ.ৱাইগী মখাদা মীওই পুন্না লাক্ষ ৬ হেনবদা কান্নবা ফংহল্লি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** ভারতনা আই.সি.সি ৱিমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ গী চেম্পিয়ন ওইরকপা অমসুং ৩ শুবা এসিয়ান য়ুথ গেমস ২০২৫দা ভারতনা ৬ শুবা মফম কল্লকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মহাকা হায়-ভারতকী নুপী ক্রিকেট টিমনা আই.সি.সি ৱিমেন্স ৱার্ল্ড কপ লৌরকপ অসিমক লৈবাক অসিগী চাউথোকচনিঙাইনি। শান্নরোইশিংগী থোইদোক হেনদোকপা মশান্না কয়া উৎথোক্তুনা কপ অসিগী মপু ওইবা ঙল্লকপা অসিমক অচৌবা মাই পাকপা অমনি। মসিনা হৌরক্লিবা শান্নরোই কয়ানা অনৌবা ইনোৎ অমা হাপ্লগনি।

অমরোমদা, ৩ শুবা এসিয়ন য়ুথ গেমস ২০২৫দা ভারতনা সনাগী

তকমান ১৩ য়াওনা পুন্না তকমান ১৮ লৌদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপদা নুঙাই ফাওই। গেমস অসিদা এম.লনচেনবা অমসুং কে.ঐচ.মোনিকানা মথং শিংনা বোক্সিং অমসুং জ্‌দোদা লূপাগী তকমান লৌরকপা অসিমক রাজ্য অসিগী অমদি লৈবাক্কী চাউথোকচনিঙাইনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইমর্জিং সাইন্স এন্দ টেকোলোজিক ইন্নোভেসন কনক্লেভ (এসতিক) ২০২৫ ঙসি নিউ দেল্লিগী ভারত মন্দপমদা হৌদোক্কনি। শ্রী মোদিনা লৈবাক অসিগী আর এন্দ দি ইকোসিস্তেমগী থবক থৌরমশিং হেন্না খুমাং য়াংশিন্নবা লূপা কোতি লাক্ষ ১গী রিসর্চ দেভলপমেন্ট এন্দ ইন্নোভেসন স্কিম ফন্দসু হৌদোক্কনি। স্কিম অসিনা রিসর্চকী লমদা প্রাইভেট সেক্তরশিংনা হেন্না খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। নুমিৎ হুমি চুপা চত্থগদবা কনক্লেভ অসিদা তোঙান তোঙানবা লমশিং খণ্ড হৈরবা মীওই লিশিং ৩ হেন্না শরুক য়াগনি। লোয়ননা, আর্তিফিসিয়েল ইন্তেল্লিজেন্স, বাইও-মেন্যুফেকচরিং, দিজিতেল কম্ম্যুনিকেসন, ইমর্জিং এগ্রিকলচর টেকোলোজি, ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট অমসুং হেলথ য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম ১১ দা খন্ন-নৈনগনি।

**রধাকৃষ্ণনঃ** উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রধাকৃষ্ণন নুমিৎ নিনিগী কেরলা খোঙচত্তা ঙসি তিরুবনন্তপুরমদা থুংলগনি। মহাকা তিরুবনন্তপুরমদা থুংবগা কোলমদা লৈবা ফতিমা মাতা নেসনেল কোলেজকী দাইমন্দ জ্‌বিলি থৌরমদা শরুক য়াগনি। উপ-রাস্ত্রপতিগী খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন কোইর এক্সপোর্তর এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংগা উনদুনা ৱাফম কয়া খন্নগনি। হয়েংনা তিরুবনন্তপুরমগী শ্রী চিত্র তিরুনেল ইন্সটিট্যুট ফোর মেদিকেল সাইন্সেস এন্দ টেকোলোজিদা চৎকনি।

**চেস ঃ** অহানবা ৱাই এস সি য়ু রেপিদ চেস টুরনামেন্ট ২০২৫ ঙরাং লোইশিনখ্রে। নুমিৎ নিনি চুপা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী য়ুমজাও লাইরেম্বীদা চথরকপা থৌরম অদু মণিপুর চেস এসোসিয়েসন, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট চেস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দি.চেস একাদেমি অমদি দ য়ং সোসিয়ো কলচরেল য়ুনিয়ন অনিনা পুন্না শিনবনি। ঙরাং লোইশিনবগী থৌরমদা টুরনামেন্ট অসিদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মালোম থৌদোক্কী ২৫ শুবা নিংশিং থৌরম পাঙথোকখিবা, সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পোপী পান্বীশিং য়াস্থৎতুনা মাংহনবা অমসুং মণিপুর রাস্ত্রভাসা প্রচার সম্মিতিগী দাইমন্দ জ্বিলি পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

অসাম রাইফলসনা মালেমদা নুপী য়াওনা মীচম ১০ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী ২৫ রক শুবা নিংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে। সি.বি.আইনা এ.আর পর্সনেল ১১ গী মথক্তা ৱায়েল চখ্থগদবনি হায়রবসু য়ুনিয়ন লৈঙাকা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীদ্রে হায়না- হুইয়েন লানপাউদা বেনর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী এদিসন, পোকফম অমসুং সনালৈবাক্তসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পোপী পান্বীশিং য়াস্থৎখিবগী পাউ পাউচে অয়াম্বদা অহানবা লমাইদা ফোঙলি। নাগা খূৎলাই পায়বশিংনা পোপী থাবগী লৌশঙ মৈ থাদোক্লম্লবা মতুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পোপী পান্বীশিং য়াস্থৎখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- পিপলস ক্রোনিকল,

তামেংলোং তাইমস অমসুং গানফিউ মেলদসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- কুমজা ২০২৯ ফাওবদা দ্রগ কার্তেলশিং মরু ফংনা মাংহনগনি হায়বা গৃহ মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এয়রলাইন্সশিংগী ফ্লাইট অতোংমল লৌনিংবতা লৌরে, ইম্ফাল-দেল্লিদগী ইম্ফাল-গুৱাহাতিনা হেল্লি হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

গারি রেজিস্ত্রেসন চহী ২০ ফাওবা শাংদোকপগী কাংলোন মণিপুরদদি থবক্তা ওন্থোকবা খন্নরি হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর রাস্ত্রভাসা প্রচার সম্মিতিগী দাইমন্দ জ্বিলি পাঙথোকখিবগী পাউগা লোয়ননা হিন্দি অসি খঙজিনবদদি কান্নে অদুবু নমফুদা চৎহনবদি য়ানিংদে হায়বা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগী ৱাফম- পোকফম, সনালৈবাক, দ পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হনবগী মহুৎ লৈঙাকা তান্থোরক্লব্রা, ইশাগী য়ুমদা হঞ্জিনদ্রিবা ফাওবদি লৈঙাক্কী য়াথং ইল্লোই হায়বা আই.দি.পিশিংগী ৱাফম- সনালৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লমাইদা ফোঙবা থেংনরি।

মণিপুর ইং তপ্পা ওইহন্নবা আর.এস.এসনা চোকথবা লৈতনা হোৎনরি

হায়বা আর.এস.এসকী জেনরেল সেক্রেটরিগী ৱাফম- পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নাগাগী শান্তিগী খোঙথাং থিন্থহনবা য়াওনা ভারত সরকারনা থবক থৌরম কয়া থিন্থহনবনা ৱাথোক কয়া লাকবগী মচাক ওইরি হায়বা এন.সি.এন-জি.পি.আর.এনগী ৱাফম- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চহী অসিদা মীরমদগী পাইরকপা লমকোই উচেক অমুর ফেলকন মশিং হন্থরকপা য়াবগী মীপাইবা রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগতা লৈরে হায়বা পাউ অমসু-গানফিউ মেলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- তামেংলোং তাইমসতসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

অনিশুবা রানি গাইদিনলিউ ৱিমেন্স স্পোর্টস মিট ২০২৫ ঙসি তামেংলোং হেদক্বাতরদা হৌদোক্লগনি হায়বা পাউ- তামেংলোং তাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**